**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-08-2026)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা হায়রি-রাজ্য অসিদা কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবশিং কোকহন্দুনা তুং কোইনা শান্তি পুরকবা পুমমকা হোৎনমীন্নসি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা, মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম, মীয়ামগী মরক্তা থাজনবা ৱাৎপা অমসুং থাজনবা হেনগৎহন্নবা লম্বী য়াৎপা হায়বসিগী মতাংদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইং কুমজা ২০২৩ গী মেদগী থোরকখিবা ইরাং অদুদগী লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা কাংলুপ-ফুরুপ খুদিংমক্কী আই.দি.পিশিংনা কৈদৌঙৈ মখোয়বু ময়ুম ময়ুমদা হলহনগদগে হায়না হংলিবা অসি ঙসিগী খুন্নাই অসিদা কাংলুপশিং অসিগী মরক্তা অমনা অমবু থাজনবা ৱাৎপদগীনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকপা পামদবা মীওই কাংবু খরা লৈরি হায়বা ৱাফম ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীওইশিং অসি সরকারনা মশক খঙদোক্তুনা আইনগী মখাদা চৈরাক পীগনি।

থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনেরেল লেফটনেন্ট জেনেরেল-বিকাশ লখেরা, চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল, সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পেনেল দিসকরসনদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**কেবিনেট(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালদা রাজ্য মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা ৱিমেন ইমপৱারমেন্ট মনিপুর স্কিম চৎনহন্নবা অয়াবা পীখ্রে। মসিনা শকখঙলবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা মেম্বর ওইবা নুপী লাখ অহুম মখায়রোমদা কান্নবা পীনবা পান্দম থল্লি। মখোয়না অহানবা চহিদা লুপা লিশিং তরা-তরা গ্রান্ট ওইনা ফংগনি। মদুগী মতুংদা শেন্দোই য়াওদনা অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা চহিদা লোনশিং পীগনি।

মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম অদুনা মনিপুর গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স (টেন এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৬, মনিপুর টাউন্দ এন্দ কন্ত্রি প্লান্নিং এক্ট-১৯৭৫ (সিক্স এমেন্দমেন্ট) বিল অমসুং ইন্দিয়ান স্তাম্প (মনিপুর এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৬ লাক্কদৌরিবা মনিপুর বিধান সভা মীফমদা পুথোকবসু ৱারেপ লৌখি।

মনিপুর পুলিস স্পিসিএল রিক্রুইটমেন্ট স্কিম ফোর মেরিটোরিয়জ স্পোর্টস পার্সন-২০২৬ রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম অদুনা ইন-প্রিন্সিপাল ওইনা অয়াবসু পীখ্রে।

মীফম অদুদা উপ মুখ্য মন্ত্রি-নেমচা কিপগেন ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা শরুক য়াখি। উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো, গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি কেবিনেট মন্ত্রিশিং, চীফ সেক্রেটরি অমসুং তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**রক্সা (এল)ঃ** ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী বঙ্গলোদা ঙসি রক্সা বন্ধনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ব্রহ্মকুমারিগী মীহুৎশিংনা মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা রাখি পুন্দুনা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

মবুং মৌপৱা ওইবশিংগা মচল-মচে ওইবশিংগগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগী পান্দমদা রক্সা বন্ধনগী থৌরম লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোকরি।

**ফয়ার (এল)ঃ** নোনে জিলাগী হাউচোং সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা পুইচি ভিলেজতা ঙসি নুংথিল পুং অহুম মখায়রোম তাবা মতমদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-থৌদোক অদুদা লালহৌলুপ অমগী মীওই অমা শিরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। অকুপ্পা পাউ ঙায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা রাজ্য পুলিসকা থা অসিগী ২৬ তগী ঙসি ফাওবা পুন্না চথ্খিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসনশিংদা চুরাচান্দপুর, ককচিং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাশিংদগী লালহৌবা অহুম ফারে।

আই.জি.এ.আর. (সাউথ) কী পাউনা হায়-চুরাচান্দপুরদগী য়ু.কে.এন.এগী মশানা মশাবু সর্জন মেজরনি হায়জবা মীওই অমা মরু মঙা য়াওবা নাইন এম.এম.পিষ্টোল অমগা কোন্ননা ফারে। ককচিংদগীনা য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমা ফারে।

ইম্ফাল ৱেষ্টতগীনা য়ু.এন.এল.এফ. (কে) গী মীওই অমা ফারে হায়রি।

**কাংপোকপী(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী মুকই লন্বীদা ঙরাং নাগা মীচম মরি হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ) মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট-অৱাংবৌ ন্যমাইনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়-মতম লৈবা খিবীক্তা অচুম্বগীদমক্তা লেপকনি অমদি চপ চাবা পাউখুম ফংদ্রিবা ফাওবা থেংনখিগনি।

আই.টি. রোডতা ঙরাং হাৎলম্বা নাগা মীচম মরিগী অশিবা হকচাং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা পুরকখ্রে। মফম অদুদা মীয়ামগী ওইবা লাইশোল সভা পাঙথোকখি। মদুদা এন.পি.এফ. ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট-অৱাবৌ ন্যমাইনসু শরুক য়াখি। মখোয়গী হকচাং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক থমখ্রে।

লিয়াংমৈ ইম্ফাল মার্কেট কমিতিনা ঙরাং নাগা মীচমশিং আই.টি. রোর্ডতা হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না নাগা মীচমশিং হাৎখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা হায়-মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোকশিং অসি লাকশিনদুনা ইং তপ্পা, শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহন্নবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু।

ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), ওল মনিপুর ৱিমেন ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মনিপুর, কমিতি ওন হ্যুমেন রাইটস অমসুং মনিপুরি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসননসু আই.টি. রোডতা নাগা মীচম মরি হাৎখিবগী থৌওং অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। অসিগুম্বা মীচম মীয়ামদা চত্থবা এম্বুসকী থৌওং মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবসু লুপ মঙা অসিনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

ঙরাংগী এম্বুসতা লৈখিদ্রবা নাগা মরিগী মফমদা ইকায় খুমবা অমসুং অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমা ঙসি তামৈ বজারগী আর.তালে ৱিমেন মার্কেটতা পাঙথোকখ্রে।

**য়ুএনসি (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী আই.টি. রোডতা ঙরাং নাগা মীচম মরি হাৎখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি) না নাগা তাবা মফমশিংদা কৌখিবা পুং ১২ গী সটদাউন্দনা নোনে জিলাদসু মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকখি।

জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা বেঙ্ক, মহৈ তম্ফমশঙ, দুকান অমদি কৈথেলশিং থোং লোন্নখি। ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী পরিংদা গাড়িশিং চৎনখিদে।

সটদাউন্দ অসিনা মরম ওইদুনা উখ্রুল, চান্দেল অমসুং কামজোং জিলাদসু মহৈ তম্ফমশিং, কৈথেল অমসুং দুকানশিং হাংনখিদে। লম্বীদা গাড়ি চেন্নখিদে। সটদাউন্দ অসি ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক্তা লোয়খ্রে।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** চহি অসিগী মে ১৩ দা লৈখিদবা লিয়াংমৈ নাগা মীচম তরুক্কী অচুম্বা ৱায়েল পীবিনবা দাবী তকশিনদুনা মনিপুর বেপটিস কনভেন্সনগী মীহুৎশিংনা মুখ্য মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদু মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সিভিল সেক্রেটরিয়েটতা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোগী খুথাংদা পীশিনখি।

**কলেজ (এল)ঃ** পালি ইনাৎ শিল্লোই শিনতম শঙ কৌবা কলচরেল দিগ্রি কলেজ অমা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী শেল্লোই লমাইচীংদা লৈবা পস্থৌ ইসাইকোলনুংদা হাংদোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সত্যবরতানা হায়-লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী ওইনা মীকোক মশিং হন্থরকপা অমদি চাউখৎপগী মতুং ইন্না হোংলক্লিবা অহোংবা কয়া অসিগী য়েংলগা ঐখোয়গী নাৎ-চৎনবীশিং য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মসি নৎত্রবদি ঙসিদগীনা চহি তরারোমগী মতুংদা য়েলহৌ-ফুরুপশিংদা অচৌবা চৈথেং লাকনিংঙাই লৈতে হায়বা য়ারোই। মরম অদুনা ঐখোয়না পুন্না ৱাখল তামীন্নবা অমদি মতম কয়াগী মমাংদগী শগোন্নরক্লবা নাৎ-চৎনবীশিং য়োকখৎপা তঙাইফদে। মসিদা ঙসি হাংদোক্লিবা কলেজ অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

থৌরম অদুদা লাইনিং লাইশোলগী লমদা শকাইরবা পন্থৌ, কলেজ অদুগী গভর্নিং বোদিগী চেয়ারমেন ডাঃ থাংজম মুনিন্দ্রো সিংহ অমদি অতোপ্পা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। মফমদুদা লৈবা চৎকোই শলাইচংগী মহৈরোইশিংনা উৎপা জগোই ঈশৈনা থৌরম অদুগী থোইদোকপা শক্তম ওইখি।

**মুক্তা (এল)ঃ** সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, ফিল্ড ওফিস-চান্দেলনা শিনদুনা নাসা মুক্তা ভারত অভিয়ান-ভিক্সিত ভারতকী পহেচান হায়বা

ৱাখল্লোনদা নোংমগী ওইবা অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী চোথে খুনৌ ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অখঙ অহে় কয়ানা ভারতপু ময়াই় কাবা নিশা, দ্রগ লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**কম্মিসন (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভি.সি. কোর্ট হোলদা ঙসি ষ্টৌক্কিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা পুলিসকী ওফিসিএলশিং, মহে় মশিং তন্বা অমসুং আইনগা মরী লৈনবা শিনফমশিংদা লৈবা মীওইশিং অমদি মহে়রোইশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার আর.কে. হেমাকুমার, কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন-টি.ঐচ. তিনিংফম মোনশাং অমসুং সাইভর ক্রাইমগী এস.পি-জোন নিঙোম্বম য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**রিমস (এল)ঃ** ইন্দিয়ান সোসাইতি ওফ পেদিয়াত্রিক এন্দ প্রিভেন্টিব দেন্টিষ্ট্রিগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তৌবুংখোক্তা লৈবা রুরেল ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনদা মেগা হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ পেদিয়াত্রিক এন্দ প্রিভেন্টিব দেন্টিষ্ট্রি, দেন্টেল কলেজ-রিমস, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট অমসুং সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবা কেম্প অদুদা পুন্না অঙাং ৯০ দা লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথক য়েন্থোকখি।

**সেদ (এল)ঃ** চান্দেল জিলাদা লৈবা সলেমথর ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটতা ৱাকসেদ নৎত্রগা ফেক্তরি সেদশিং লৌনিংবা ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংনা মথং থাগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

ৱাফম অসি দি.আই.সি. চান্দেলগী জেনরেল মেনেজরনা থোকপা চেরোল অমদা ফোংদোরকপনি।

**য়াংকোক (এল)ঃ** শকয়েং মিংশেল আর্ট ফাউন্দেসন-কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকাই ইম্ফালনা শিনবা য়েলহৌ য়াংকোক আর্টিষ্ট-থোইথোই ময়াংলম্বমগী নুমিৎ হুমনি চথুগদবা সোলো আর্ট একজিবিসন-শকাইরবশিংগী লিক্লু পরেং ইপিসোদ তরুক , ক্বকৈথেল লৈমখুজম লৈকাইদা লৈবা ইম্ফাল আর্ট গেলারিদগী ঙসিদগী হৌখ্রে।

ইগজিবিসন অসিদা শকাইরবা মীওই ৩৪ গী শক্তমশিং য়াংকোক্তা য়েক্তুনা উৎলি।

**ৱারী (এল)ঃ** রিপরটরি ওফ ৱারী লীবা মনিপুরনা শিনদুনা থা অসিগী ২৩ দগী ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাই, অরিবম মন্দপতা চথুরকখিবা জ্লোন ৱারী লীবা ফেষ্টিবেল ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ফেষ্টিবেল অসি রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী মখাদা পায়খৎপা চীফ মিনিস্তরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং মখাদা পাঙথোকপনি।

**মৈ (এল)ঃ** থারতি থ্রি বাই এলভেন কে.ভি. পৱার হাউসতগী লাকপা এলভেন কে.ভি. সেক্রেটরিয়েট ফিদরনা কোনবা অকাশবানি ইম্ফাল, এম.এস.এফ.দি.এস, পেলেস কম্পাউন্দ, থঙ্গাপাৎ এরিয়া অমসুং মহাবালি কবুই খুলগী এরিয়াদা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৯ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক ফাওবা মৈ পীবা লেপকনি হায়রি। এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমদা ৱাফম অসি

ফোংদোরকপনি।

**নেপাল ঃ** নেপালদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউদা শিবা মীগী মশিং ৪৬৯ শুখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ভারত মচা ২৯০ য়াওনা মীওই লিশিং ১,৫০০ থিবা খঙদনা লৈরি। শিরবশিংগী মনুংদা মীওই ৩৮৯ না নেপালদনি অদুগা মীওই অহুমনা তিবেৎতা শিখিবনি।

লৈবাক অনি অদুদা মী কনবা অমসুং অশিবা হকচাংশিং থিবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। তিবেৎ অমসং নেপালগী ওথোরিতিশিংগী মতুংইন্না থিবা খঙদ্রিবা মীওইশিং অসি অয়াম্বনা মীরৈবাক মচা ঙাক্তনি। ভারতনা হৌজিক ফাওবদা তেংবাংগী পোৎলম মেত্রিক টন ৪৭ মতেং পাংখ্রে। কেন্দ্র সরকারনা নেপালদা পনদুনা লৈরিবা ভারত মচাশিং পুথোরকবা থৌরাংশিং লৌখৎলে।

মরক অসিদা বোতে কোসি তুরেলগী হৌরকফমগী পাৎতা নৌনা উন অমদি অতে পোৎলমশিংনা অথিংবা পীরকপদগী নৌহৌননা তুরেল অসি অমুক হন্না কায়রকপা য়াই হায়বগী মীপাইবা লৈরে হায়রি।

**য়োজনা ঃ** প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনা ঙসি চহি ১২ মপুং ফারে। য়োজনা অসি কুমজা ২০1৪ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি। য়োজনা অসিগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা বেনিফিসরি কোতি ৫৯ হেনবগী বেঙ্ক এক্কাউন্ট হাংখ্রে। বেনিফিসরিশিংগী এক্কাউন্টতা হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি লাখ ৩ লিশিং ১৭ হেন্না হাপখ্রে।

এক্কাউন্ট অমদা চাংচৎতা দিপোজিৎ তৌরিবা শেনফম অসি লুপা লিশিং ৫,৩৫৬ নি। প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনাগী মখাদা রুরেল নত্রগা সেমি অরবান এরিয়াদা হাংবা এক্কাউন্ট অসি চাদা ৭৮ নি। অদুগা এক্কাউন্ট হাংলিবশিং অসিগী মনুংদা চাদা ৫৬ না নুপীনি। হৌজিক ফাওবদা জন ধন এক্কাডন্ট হাংবশিংদা রুপে কার্দ কোতি ৪১ হেন্না য়েন্থোকখ্রে।

**সাই (এল)ঃ** ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক সাই এস.টি.সিদা নুমিৎ হুমনি চুপা পাঙথোক্কদবা নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম ঙসিদগী হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা হন্দক্তা গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা লুপাগী তকমান লৌরকখিবা চনম্বম রিসিকান্ত য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। শ্রী রিসিকান্তদা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংদা ৱারী শান্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**মেসেজ(এল)ঃ** লৈবাক্কী মফম পুমমক্তা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল স্পোর্টস ডেগা মরী লৈননা রাজ্যগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-গোবিন্দ দাস কোন্থৌজমনা রাজ্য অসিগী মীয়াম অখন্ননা, শান্নরোইশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

শ্রী গোবিন্দাসনা থাদোরকপা পাউজেলগী ৱারোল অমদা হায়-লৈবাক অসিগী শকাইরবা হোকি শান্নরোই-মেজর ধ্যানচান্দগী মপোক নুমিৎতা নেসনেল স্পোর্টস ডে অসি চহি খুদিংগী পাঙথোক্কুনা লাক্লি। খেল্লোগা ভারত, জিতেগা ভারত হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোক্কদৌরিবা কুমশি চহিগী নেসনেল স্পোর্টস ডে অসিনা মীপুম খুদিংমকপু গ্রাস রুট লেবেলদগী হৌনা মশা মউ ফনা থমবা পাউজেল পীবা ওইরসনু। ঐখোয় পুমমকা মিনিট খুদিংগী ফিজিকেল এক্তিভিতিশিং চাং নাইনা পাঙথোক্কুনা মশা মউ ফবা জাতি অমা ওইহল্লসি হায়রি।